হুইয়েন লানপাউ

মচা চনু, ককচিংগী ১৪ রক শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগা লোয়নননা পিপল'স ম্যুজিয়ম ককচিংগী দিরেক্টর ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রদা খুদোল-পোৎ তন্বগী শক্তম



রিকো ইন্দিয়া লিমিটেদ অমদি পেন্টা ইন্টর-প্রাইজেজনা শীন্দুনা রিকো কলর, ব্লেক এন্দ হুাইট ফোটো কোপীয়র, কোপী প্রিন্টরগী দিস্কাউন্ট সেল পাঙথোকপা



রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎকী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্তুনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহন্নবা তকশিন্দুনা ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপনা শীন্দুনা চথবা ৱাকৎ মীফম



ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা ঙাইহাক লৈতনা থোং যাদবগী ৱাথোক ওইরিবা বরাক থোংগী ফীভম বি জে পি, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী টিম অমনা য়েংশিনবগী শক্তম



Vol. 39, Issue No. 362 | থাংজ, লমতাগী ১১নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, March 19, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# কন্সটেবল ২৩০৬, রাইফলমেন ৫১৯ লৌননা ৱারেপ লৌখ্রে

## কন্সটেবলগী মহৈগী থাক ক্লাস টুয়েল্ব ওইরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর পুলিসকী কন্সটেবল ২,০০০ হেন্না লৌননবা পাঙথোকখিবা দি পি সী কোর্টনা চৎনহনখিদ্রবা তুংদা লৈঙাক্কা পুলিস কন্সটেবল (নুপা) ২,৩০৬ অমসুং রাইফলমেন ৫১৯ লৌননবা ঙসি ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী ফম্বা হৌখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী তুংদা লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লো এন্দ ওদর ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক মথৌ তাবা অমসুং অৱাৎপা পুলিস পার্সনেলশিং অমদি রাইফলমেনশিং লৌগদৌরিবনি।

মণিপুর পুলিস কন্সটেবল অমসুং মণিপুর রাইফলস অমদি আই আর বি পার্সনেলশিংগী রাইফলমেন লৌগদৌরিবসিদা কেন্দিদেট ওইগদবশিংগী এদ্যুকেসনেল ক্বালিফিকেসন শেমদোকপসু কেবিনেটনা য়াখ্রে। অনৌবা রুল এন্দ রেগ্যুলেসন অসিগী মতুংইন্না হান্না ক্লাস টেন পাস তৌরগা মণিপুর পুলিস কন্সটেবলগী কেন্দিদেট ওইবা য়ারম্বদু অনৌবা আর আর অসিগী মতুং ইন্না ক্লাস টুয়েল্ব ওইরগনি। অদুগা এম আর অমদি আই আর বি পার্সনেলশিংগী ওইনা হান্না ক্লাস আইট পাস তৌরবদি কেন্দিদেট ওইবা য়ারম্বদু হন্দক্কী অসিদগী ক্লাস টেন পাস তৌদ্রবদি য়াররোই। মহৈগী থাক ৱাংখৎহল্লিবা অসিগী মরুওইবা মরম পুলিস পার্সনেলশিং মতিক-ময়ায় লৈবা হায়বদু ওইহন্ননবগীদমক্তনি হায়না এম ওকেন্দ্রোনা মখা তানা পাউমীশিংদা হায়খি।

নৌনা পুলিস কন্সটেবল রিক্রুইট তৌগদৌরিবা অসি হান্না পুলিস কন্সটেবল ২০০০ রিক্রুইট তৌনবা প্রোসেস তৌবা হৌরল্লগা লেপ্পিবা অসিগদি মরী লৈনদে। মসিনা ইনৌ নৌবনি হায়রি। অদুম্মকপু থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি পুলিস কন্সটেবল ২০০০ লৌবা থিংখিবগী ওর্দর হন্দে দাকহন্নবা লৈঙাক্কা মখা তানা করিমত্তা হোৎনখিদ্রে। মসিনা হান্নগী দি পি সী অদু অমুক মখা চথগনি হায়বগী থাজবা ৱাৎলে।

কেবিনেট মীফম অদুনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী তাদুবী সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খুল ১৫ পূনশিল্লগা লাইরৌ সব-দিভিজন কৌবা অনৌবা সব-দিভিজন অমা শেম্নদা অয়াবা পীখ্রে। নৌনা শেমগদৌরিবা সব-দিভিজন অদুগী অপূনবা মীশিং অসি কুমজা ২০১১ গী মীকোক থিবগী মতুংইন্না ২৩,১৫৫ নি। খুলশিং অদুদি মরাম খুল্লাকপা শাগৈ, মরাম বজার, মরাম মথক শাগৈ, মরাম রামলোং, ন্যু মরাম, মরাম সেন্টর, মরাম মখা শাগৈ, লাইরৌ চীং, খোঙনেম, মাও, মারফো, মরাম শগোল্সম, মরাম কবানম, পুনি পোফোসেমাই, ন্যু মগাইমাই, সদিম নাগানি।

পাৱর কঞ্জুমরশিংদা খুদোংচাননবগীদমক এম এস পি দি সী এলগী মখাদা সব-দিভিজন ওফিস ৫ নৌনা হাংদোকপগী অয়াবা পীখ্রে। সব-দিভিজন ওফিস ৫ অদু হৌজিক লৈরিবা কঞ্জ্যুমর মশীং কা হেন্না য়ামশিল্লকপদগী খায়দোল্লগা নৌনা হাংদোক্কদবনি। সব-দিভিজন মঙা অদুদি লম্ফেল সব-দিভিজন-৩, ক্বাকৈথেল সব-দিভিজন ২, ককচিং সব-দিভিজন ২, থৌবাল সব-দিভিজন ২ অমসুং কাঞ্চিপুর সব-দিভিজন ২ নি হায়রি।

## পৃথিবীরাজদা পীখিবা হায় কোর্টকী ওর্দর সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টে তৌখ্রে

# 'পৃথিবীরাজগী তোলোপ ফংলোই'

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):



ইলেক্সনগী এফিদাবিটতা এদ্যুকেসনেল ক্বালিফিকেসন শেরান্ননা হায়জিল্লে হায়দুনা থাঙ্গৎলককিবা ইলেক্সন পিটিসনগা মরী লৈননা মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ ওইরিবা মাইরেম্বম পৃথিবীরাজনা মায় পাকখিবা মীখল অদু চৎনদনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৯ দা পীখিবা জজমেন্ট অদু সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ষ্টে তৌখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিশ কুরেন যোসেফ অমসুং জষ্টিশ রোহিন্টোন ফালি নরিমাননা শাবা দিভিজন বেঞ্চ অমনা এম এল এ পৃথিবীরাজনা মায় পাকখিবা মীখল চৎনবা য়ারোই হায়না মণিপুর হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অদু ষ্টে তৌখিবনি।

মণিপুর হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অদু ষ্টে তৌজরবসু এম এল এ ওইনা পৃথিবীরাজনা এসেমব্লিগী মীফমদা ভোট পীবগী হক অমদি এম এল এ ওইবগী থাগী তোলোপ ফংলোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি পীখিবা য়াথং অদুনা হায়রি।

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি পীখিবা য়াথং অসি এম এল এ মাইরেম্বম পৃথিবীরাজনা থাঙ্গৎলকখিবা আপিল অমসুং মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইখিবা পি সরতচন্দ্রনা থাঙ্গৎলকখিবা আপিল অনীমক কোর্ট অসিদা এদমিট তৌহল্লবা মতুংদা খঙহনখিবনি।

ইলেক্সন পিটিসনগা মরী লৈননা সুপ্রিম কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা আপিলশিং অসিগী ফাইনেল হিয়ারিং চয়োল ৮গী মনুংদা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা পিটিসনর অমদি কাউন্সেলগী মায়কৈ অনীমক্কী কাউন্টর এফিদাবিটশিং ফাইল তৌবা য়াগনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অদুদা পল্লি।

মাইরেম্বম পৃথিবীরাজকীদমক সিনিয়র এদভোকেট কাপিল সিবাল, এদভোকেট পুনম কুমারী, এদভোকেট সাপম বিশ্বরজিৎ মীতৈ, এদভোকেট নরেশ কুমার গৌর অমসুং বি খুস্বন্সিনা কাউন্সেল ওইখি। অদুগা পি সরতচন্দ্রগী মায়কৈদনা সিনিয়র এদভোকেট ডা. রজিব ধৱন, সিনিয়র এদভোকেট এন কুমারজিৎ, এদভোকেট লেনিন হিজম অমসুং এদভোকেট এস গোথামননা কাউন্সেল ওইরি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১২গী ইলেক্সন পিটিসন নম্বর-ৱানগী মতাংদা মণিপুর হায় কোর্টনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৯ দা পীখিবা জজমেন্ট ওর্দর অদুদা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সব-সেক্সন-১(এ) গী মখাদা পিটিসনর ওইখিবা পি সরতচন্দ্রনা মীখল অদু চৎনবা য়াদে হায়না লাউথোকপীয়ু হায়বা ৱাফম অদু কোর্ট অসিনা য়ারে হায়খিবনি।

তরাশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা মোইরাং এ সীগী মীখল চৎনহনখিদ্রবা তুংদা মায় পাকখ্রবা মাইরেম্বম পৃথিবীরাজগী মহুত্তা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী পিটিসনর ওইরিবা পি সরতপু এম এল এ ওইনবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়বা ৱাফম অদুদি মণিপুর হায় কোর্টনা য়াখিদে।

মণিপুর হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অদুগী সুপ্রিম কোর্টতা আপিল চৎচগে হায়দুনা এম এল এ পৃথিবীরাজগী কাউন্সেলনা কোর্ট অসিদা ফেব্রুৱারী ২ দা হায়জখি। হায়জ ৱারোল অদুগী মতুংইন্না মণিপুর হায় কোর্টনা থা ৪গী মতম পীদুনা সুপ্রিম কোর্টতা এম পৃথিবীরাজনা আপিল চৎননবগী অয়াবা পীখিবনি।

মণিপুর হায় কোর্টতা চথখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী হিয়ারিংদা এম এল এ মাইরেম্বম পৃথিবীরাজনা মহাক্কী এদ্যুকেসন ক্বালিফিকেসন এম বি এনি হায়না ইলেক্সনগী এফিদাবিটতা হায়খিবা অদু ক্লারিকেল মিস্টেকনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

এম এল এ মাইরেম্বম পৃথিবীরাজবু দিসক্বালিফাইদ তৌবা নৎত্রগা তৌদবা হায়বসি চয়োল ৮গী মনুংদা চথগদৌরিবা ফাইনেল হিয়ারিং লোইরবা তুংদা খঙলগনি। মরক অসিদা ঙসি নুংথিল মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মফম কয়াদা বোম্বুলা থাদুনা মীওই কয়ানা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অদুবু তরাম্না ওকখ্রে।


# ৱারৌরবা কোংগ্রেস এম এল এশিং চীফ মিনিষ্টরনা থেমগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক্তা য়ানিংদবা এম এল এশিংনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদা ৱাকৎলুরবা তুংদা খোয়শাউনরবা এম এল এশিং চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা থেমগদৌরি।

কোংগ্রেস এম এল এ ২৫না রিসফল তৌননবা অমসুং মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট শীন্দোক্ননবা তৌরকপা দিমান্দগী মতাংদা ৱাখল তামিন্ননবা হয়েং নুমিদাংৱাইরম কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মীফম কৌরি। মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরগী দিল্লি খোঙচৎকী মতাংদা অকুপ্পা পাউ তল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী অমসুং মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা সোনিয়া গান্ধী অমসুং রাহুল গান্ধী উনবদা কোংগ্রেস এম এল এশিংগী দিমান্দগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং মমুৎ তানা খন্নরকখিদে। ষ্টেট ৪ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১গী ইলেক্সনগী থবক য়াম্না চিনবা অমদি পার্লিয়ামেন্ট মীফম লৈবনা সোনিয়া গান্ধী উনবগী মতম ফংখিদে।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা উনবা ফংলক্তবদগী এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি, নোর্থ ইষ্ট চার্জগী থৌ পুরিবা নরায়নস্বামিগা থেংখাঙ অনীরক থোক্লা উনদুনা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা অদুদা মিনিষ্টর রিসফল তৌবগী ৱাফম হৌদোরকখি অদুবু চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা সোনিয়া গান্ধীনা তৌ হায়বা ৱাফম মঙোন্দা ফোঙদোরকপা লৈতবনা মহাক্কা উননবা মতম লৌখিগনি হায়না ফোঙদোল্লম্মী হায়রি। ৱাফম অসি চুম্বা তারবদি কোংগ্রেস এম এল এশিংনা মিনিষ্টর রিসফল অথুবা মতমদা তৌহন্নবা হোৎনরিবসি মার্চ থা অসিগী মনুংদা ওইথোক্লিংঙাই লৈতে হায়রি।



অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৬.৮৯০c | ১২.৯৪০c |
| চান্দেল | ৩৪.১৩০c | ১৪.২২০c |
| সীসীপুর | ২৭.৬৫০c | ১১.০৯০c |
| ইম্ফাল | ২৫.৪৯০c | ৯.৯০ ০c |
| সেনাপতি | ২৭.৫৮০c | ৯.৯৮ ০c |
| তমেংলোং | ২৯.২২০c | ১১.৯৯০c |
| থৌবাল | ২৮.১৪০c | ১৩.১৮০c |
| উখ্রুল | এনএ ০c | এনএ ০c |
| মণিপুর | ৩৪.১৩০c | ৯.৯০ ০c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

# লৈবাক অহুম ফাওগদবা হায়ৱেগী য়ান-চেরোল নুমীৎ ১৫ নিগী মনুংদা খুৎয়েক পীনরগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী):

ট্রেদ অমসুং টুরিজম চাউখৎহন্নবা অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং হেন্না নকশিন্নবা মরী থম্ননবা মীৎয়েংগা লোয়নননা ইন্দিয়া, ম্যান্মার অমসুং থাইলেন্দগা মথং নুমীৎ ১৫ নিগী মনুংদা ত্রাইলেটরেল রোড এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনরগনি হায়না ইন্দিয়াগী মিনিষ্টর ওফ রোড ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

মফম অসিদা পাঙথোকপা ইন্দিয়া টুদে কনক্লেবতা রোড মিনিষ্টরনা হায়খি, ম্যান্মার অমসুং থাইলেন্দদা অৱাং নোংপোকপু শম্নহন্নবা ঐখোয়না নোংপোক এসিয়া লৈবাক অনীসিগা রোড এগ্রীমেন্ট অমা সোই তৌনরগনি। এগ্রীমেন্ট অদু শেম-শাবা লোইশিন্দুনা থল্লে অমসুং মদু নুমীৎ ১৫ নিগী মনুংদা সোই তৌনরগনি।

ইন্দিয়া, ম্যান্মার অমসুং থাইলেন্দ (আই এম টি) গী মরক্তা ত্রাইলেটরেল পেক্ট অদুনা সার্ক অমসুং এসীয়ন লৈবাকশিংগী মরক্তা অপনবা লৈতনা গাড়ী চথোক-চৎশিন তৌবা য়াহল্লগনি অমসুং ইন্দিয়া অমসুং লৈবাক অনীদুগগী মরক্তা ট্রেদ, বিজিনেস, হেল্‌থ, এদ্যুকেসন অমসুং টুরিজম হেনগৎহল্লগনি।

শীংথানিংঙাই ওইরবা বাংলাদেশ, ভুতান, ইন্দিয়া, নেপাল (বি বি আই এন) মোটোর পেক্ট অমসুং পেসেঞ্জর সার্ভিসশিংগী লম্বী ১৪ অমসুং পোৎ-চৈ পুনবগী লম্বী ৭ খন্দোক্তুনা হান্ননা সোই তৌনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা হায়খি।

লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিং থোকপা থিংনবা লৈবাক অসিদা এক্সিদেন্টশিং খ্বাইদগী য়াম্না থোক্কনবা ব্লেক স্পোট ৭২৬ শেমদোক্ল বগীদমকসু মরী লৈনবা এজেন্সিশিংদা গভর্ণমেন্টনা দিরেক্টিব পীখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

ইন্দিয়াদা চহী অমদা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক লাখ ৫ রোম থোকই মসিগী মনুংদা মী লাখ অমা মখায় শিরি অদুগা লাখ ৩ না শোইনাইরবা মীওই ওইহনখি হায়রি।

# রোমিতা শিখিবগী ৱাহৌদা রাজ মেদিসিটিদা থোমজিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

লালহৌলুপ কে সী পি পোইরৈ মৈতৈ লূপনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্ন-রকখিবী খুরাই অঙোম লৈকায় লাইচীং চীংখোঙদা লৈবা নীংথিবী রেষ্টুরেন্টকী মপুগী লোয়নবী লাইশ্রম ওংবী রোমিতা (৪২) লৈখিদবা অদু রাজ মেদিসিটিগী ডোক্তরনা চেকশিন্দবদগীনি হায়দুনা ঙসি লৈকায় অসিগী মীয়াম্না হোস্পিটাল অসিদা থোমজিল্লকপদগী ঈরাং থোকখ্রে।



মীশি অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি লৈকায় অসিদা মীয়াম্না ৱাকৎ-মীফম চথখি। ৱাকৎ-মীফম ফম্বা লোইরবা মতুংদা নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা লৈকায় অসিগী মীয়াম্না নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা থোমজিল্লকখি। রোমিতাগী মীশি রাজ মেদিসিটিগী ডোক্তরশিংনা চেকশিন্দবদগী থোকখিবনি। মতিক চাদবা ডোক্তর চৈরাক পীয়ু হায়দুনা হোস্পিটাল অসিগী মনুংদা চঙশিল্লক্লবা হোৎনরকখি। হোস্পিটাল অসিদা মথৌ তৌরিবা ষ্টাফশিংসু থোরক্তুনা মীয়াম অদুবু থিংখি। নাকল অনীগী মরক্তা অৱাই অখুম তৌনদুনা ঙাঙ-শক্লখিবতা নত্তনা ইন্থোক-ইনশিন তৌনখি।

তাঞ্জা অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাঙবু অমা খোঙলৈ থুনা চঙশিল্লক্তুনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা ঙাক শেনখি। নাকল অনীমক্কী মীয়াম্বু তাম্থোক্তুনা ঈরাং লাকশিনখি।

রোমিতা লৈখিদবদগী মতাংদা মহাক্কী লৈকায়গী নুপী অমনা হায়খি, রেষ্টুরেন্ট মনুংদা রোমিতাবু নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী খুদক্তা রাজ মেদিসিটিদা পুখৎখি। হোস্পিটাল অসিদা লায়েংদুনা নুমীৎ খরনি লৈখি। লায়েংবা মতমদা ডোক্তরশিংনা থাঙ থাবা মতমদা নীংথিনা তৌদবনা অনাবগী ফীভম শোকচিল্লকখি। নুমীৎ খরনি হোস্পিটাল ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# মৈ মম্‌গনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ : হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দগী ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায় ফাওবগী ইলেক্ট্রিক লাইন শেম্বগী থবক পায়খৎকদবা মরম্না ১১ কে ভি নম্বুল ফীদর-১ না কোনবা মফমশিংদা থা অসিগী ২০গী অয়ুক পুং ৯ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা মৈ মম্‌গনি হায়না এম এস পি দি সী এলগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ১১ কে ভি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 75.016485 |
| US Dollar | 66.552452 |
| British Pound | 96.085071 |
| Australian Dollar | 50.744421 |
| Chinese Yuan | 10.275020 |
| Japanese Yen | 0.597880 |
| Malaysian Ringgit | 16.387309 |
| Nepalese Rupee | 0.624412 |
| Russian Ruble | 0.970451 |
| Singapore Dollar | 49.059521 |
| South Korean Won | 0.057173 |
| Bangladesh Taka | 0.84859 |
| Myanmar Kyat | 0.05478 |
| Thailand Baht | 1.909562 |

Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 29,320 |
| Delhi | – | Rs 29,280 |
| Kolkata | – | Rs 29,300 |
| Mumbai | – | Rs 29,260 |

অস! লোইরেহে!

হন্দক্তি তাইবীগী লৱাই লেম্ফুদা য়েরুম হৌবা য়াৱনি হায়নৈ …!



মথং খনবগীদি তল হৌবা য়ারম্লনি …!

# তৌশেমগী এস দি পি ও হাংৎপদা চেন্নবা ফারগা জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তৌশেম পুলিসকী এস দি পি ও মেহমিয়া চোদাং (৫৮) অপোকপা খপ্রাং চোদাং, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বিহাং খুলদা লৈববু হাংৎপদা চেন্নবা নুপী অমা ফারগা ঙসি লম্ফেলগী জে এম আই সী, ইম্ফাল ৱেষ্ট কোর্টতা পুথোক্লগা জেলদা থাজিনখ্রে।

মীহাৎ অদুদা চেন্নরিবা পুলিসনা ফারবা নুপী অদুগী মমিং সনাহেম গোলমৈ (৩৫) মপুরোইবা এল বিজয় কৌই। মহাক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফুবালা মখা মমাঙ লৈকায়দা লৈবা সেকেন্দ আই আর বি পার্সনেল অমগী লোইনবীনি।



পুলিসকী পাউনা হায়, তৌশেমগী এস দি পি ও অসি থাসিগী হৌখিবা ২ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায়দা লৈবা (নাগারাম ব্লোক-দি) ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# লৈঙাক্কী এদভর্টিজমেন্টদা গভর্ণর, সী এম, কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী ফোটো হাপ্পা য়াহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) :

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ইরাই নুমীৎতা হান্নগী ওর্দর শেমদোকখিবগা লোয়নননা হৌজিক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর-শিং, চীফ মিনিষ্টরশিং, গভর্ণরশিং অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টরশিংগী পিকচরশিং গভর্ণমেন্ট এডভর্টিজমেন্টশিংদা য়াওবা য়ারগনি।

প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াগী ফোটোশিং নত্তনা এদভর্টিজমেন্টশিংদা লুচিংবশিংগী ফোটোশিং ফোঙবদা অথিংবা থম্বা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদু ফন্দামেন্টেল রাইটসতা অমসুং ফেদ্দরেল ষ্ট্রকচরদা শোকহল্লি হায়রদুনা মীখল পাঙথোক্কদৌরবা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং তামিল নাডু য়াওনা ষ্টেটশিং অমসুং সেন্টরনা ৱায়েল অদু রিভিয়ু তৌনবা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অমদা অনৌবা ৱায়েল অসি পীরকখিবনি।

প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী পিকচরশিং গভর্ণমেন্ট এদভর্টিজমেন্টশিং ফোঙবা য়াহনবা ঐখোয়গী ৱায়েল অদু ঐখোয়না রিভিয়ু তৌরে। হৌজিক ঐখোয়না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং, চীফ মিনিষ্টরশিং, গভর্ণরশিং অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টেট মিনিষ্টরশিংগী পিকচরশিং ফোঙবগী অয়াবা পীরে। মসি নত্তবা অতৈ কন্দিসনশিং অমসুং এক্সেপ্সনশিং অদুদি হান্নগীগুম লেঙদনা লৈখিগনি হায়না জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমসুং পি সী ঘোসনা শাবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা নত্তনা সেন্ট্রেল মিনিষ্টরশিং, চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং অতৈ ষ্টেট মিনিষ্টরশিংগী ফোটো-শিংসু পব্লিক এদভর্টিজমেন্টশিংদা ফোঙবা য়াহনগদবনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা রিভিয়ু প্লিশিং অদুগী মতাংদা এপেক্স কোর্ট অসিনা মার্চ ৯ দা মখোয়গী ৱায়েল রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবনি। কোর্ট অসিনা হান্নদি প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াগী ফোটোশিং নত্তনা লৈঙাক্কী এদভর্টিজমেন্টশিংদা লুচিং-বশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মোরেদা বোম ১ পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস): মোরে পুলিস ষ্টেসনগী ময়া নক্লা লৈবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৩গী খোংলম অমদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১৪ রোম তারকপদা মতিক ময়ায় চেনবা আই ঈ দি অমা পোকখায়খ্রে। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপনদি য়াওখিদে। অদুমকপু এল আই সী ওফিসকী থোঙনাউগী গ্লাস অমদি মনাক নকপদা লৈবা য়ুমশিংগী শম্বলশিং অকায়-অতোয় থোককখি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা তুংদা মোরেদা লৈবা পুলিস কম্মান্দোশিং অমসুং ১১ শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিং থোরক্তুনা মনাক নকপা মফমশিংদা থি-হুম্বগী থবক চথখি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা কুকি ষ্টুদেন্ট'স ওর্গনাইজেসন (কে এস ও)না হয়েং মোরে বন্দ কৌখ্রে।

# সিংদাদা ঈরাক্লবদা মীওই ২ শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস): য়ুমদগী বার্ত্তন তৌগনি হায়না চৎখিবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি) দা তম্বা মহৈরোয় অনী সিংদা দামগী ঈশিংদা ঈরাক্লবদগী শিরে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অনী অদুদি শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী পুখ্রম্বম নেলসন (১৮) অপোকপা পি নিপেন্দ্রো অমদি নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা লৈবা মৈনম ওমোর (১৮) নি। প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা গাড়ী মচাদা লাকপা নহা অহুম সিংদা দামদা কুমদুনা শান্নখি। মদুদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# অপূনবা লূপনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস): রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ মীহাৎকী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্তুনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহন্নবা তকশিন্দুনা ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপনা শীন্দুনা ঙসি কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ-মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ-মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপকী কোওর্দিনেটর সুনিল করামনা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০০৯ গী জুলাই ২৩ দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মীহাৎ থীনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ইম্ফাল এক্সপো- ফাইবরগী ফিশিং বোটনা ঙামীশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

নেসনল স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পো-রেসন লিমিটেদনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা থাসিগী ১৪ দগী হৌদুনা চয়োল অমা চুপ্পা চথরিবা ইম্ফাল এক্সপো ২০১৬ দা টাকয়েলগী ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেটতা লৈবা এম এস রঞ্জয় প্লাষ্টিক ইন্দষ্ট্রিনা শাদুনা পুথোকপা ফাইবরগী ফিশিং বোটনা ঙামীশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লি।





ঙামীশিংনা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা উনা শাবা হীদগী হেন্না খুমাঙ চাউশিনবা মওংদা পুথোক্লিবা ফাইবরনা শাবা হী মখল অসি শেমদোক-শাদোকপসু য়াই। ফাইবরনা শাবা হী মখল অসিগী মপুন্সিনা চহী ৫০ রোম ওইরি। অদুগা চহী ৫ গী মনুংদা হী অসিদা অকায়-অতোয় য়াওরক্লবসু লেম্না শেমজিন-শাজিনবগী খুদোংচাবসু পীরি।

হী অসিগী মতাংদা এম এস রঞ্জয় প্লাষ্টিক ইন্দষ্ট্রিগী প্রোপাইটর কে ঐচ রতনকুমারনা অখন্নবা পাউমী খরদা হায়খি, উনা শাবা হীনা পুং ১ চঙনা ঈশিংগী ঈমায়দা চৎকদবা লম্বী অদু ফাইবরনা শাবা হী মখল অসিনা পুংখায় অমদা য়ৌহনবা ঙম্মী। ঈশিংগী ঈমায়গা তায়নগদৌরিবা হী অসিগী মখা থংবা শরুক অসি য়াম্না স্মুথ ওইবা মরম্না হীগী খোঙজেল অসি য়াংনা চৎহল্লি। করিগুম্বা মতমদা হী লাক্লকপা তারবসু ঈশিংদা হী অসি লুপ্পা লৈতে। ঙামীশিংনা হৌখিবা মতমশিংদা শীজিন্নরিবা উগী হী অসি অকায়-অতোয় য়াওরকপা মতমদা শেমজিন-শাজিনবা ৱানা থোকই। অদুম্মকপু ফাইবরনা শাবা হী মখল অসিদি ঙামীশিংনা শেমদোক্লীংবা মওংদা শেমদোকপসু য়াই। ঙামীশিংনা শীজিন্নবদা খুদোংচাগদবা মওংদা হী অসি শাবা য়াই। হৌজিকমক্কী ওইনদি হী অসি ইঞ্চি ১৮/১৯ অমসুং ২০গী ওইনা শারি। হী অসিগী অরুম্বদি চাউরাক্লা কে জি ৮০ রোম ওইরি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, ঙাইখোং খুল্লেন্দগী থম্বালসনা কৌবা ঙামী অমনা ফাইবরগী হী অসি শাবা ঙমগদ্রা হায়না হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৮৫৬৫৯৪২৬২